# অর্জুন এৱার্দি য়ুম্নাম সনাথোই ঐগী ট্রেনিং সেন্তরদগী রুশু ফজনা তমখিবা প্লেয়রনি ঃ ডা. এম ইবোমচা মৈতৈ



ডা. এম ইবোমচা মৈতৈ
ইন্টরনেসনেল জজ রুশু



মার্সেল আর্টসতা মীৎয়েং অমা রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

হান্নগী মখা...

নীংশিংবা য়াবদি, মোইরাংথেম ইবোমচা রুশু হায়বা মশান্নসিগী তাগী ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী ওইনা মমিং লৈবা শান্নরোয়নি। হায়দ্রবাদতা কুমজা ১৯৯২ দা তৌখিবা “ফোর্থ নেসনেল রুশু চেম্পিয়নশিপ” তা সনাগী মেদল লৌবা ঙম্লকখি। মসিগী মখা তারকপদসু থংন-থংননা “ফিফ নেসনেল রুশু চেম্পিয়নশিপ (লক্ষনৌ) কুমজা ১৯৯৩, তরুকশুবা নেসনেল (মিজোরাম) কুমজা ১৯৯৫, তরেৎলকশুবা (হায়দ্রবাদ) কুমজা ১৯৯৬ তসু সনাগী মেদল মথংশিংনা লৌবা ঙম্লকখি। রুশু মশান্নদা নেসনেলদা অরোইবা ওইনা ইবোমচানা শরুক য়ারমখিবসি কুমজা ১৯৯৯ গী জুলাইগী ১৬ তগীনা ১৯ ফাওবা লক্ষনৌদা পাঙথোকখিবা “মাপলশুবা নেসনেল রুশু চেম্পিয়নশিপ” অদুদনি। হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদসু ইবোমচা সনাগী মেদল ফংবা ঙমখি। মসিগী মখা তারকপদদি করাটেগী ওইবা মশান্নদা শরুক য়ারকখি। ওল ইন্দিয়া য়ুশিকান শিটো য়ু করাটে চেম্পিয়নশিপ, ওল ইন্দিয়া বুদোকান কারাটে ফেদরেশন, মীলেনিয়ম করাটে চেম্পিয়নশিপ (থানে) ওল ইন্দিয়া বুদোকান ষ্টেট মেদলিষ্ট করাটে চেম্পিয়নশিপ (মারগাও, গোৱা) তা সনাগী মেদল তত্তনা লৌরকখিবা শান্নরোয় অমনি।

ইন্টরনেসনেল থাক্কী শান্নরোয় অমা ওইনসু মোইরাংথেম ইবোমচা ২০১৩ দা টাসকেন্ট (উজবেকিষ্টান) দা তৌখিবা “থর্দ” ইন্টরনেসনেল জীট কুনে দো চেম্পিয়নশিপ্তা সনাগী মেদল লৌবা ঙম্লকখি। লোয়ননা মসিগী মমাঙ কুমজা ১৯৯৩ দগী হৌরগা সেকেন্দ ৱর্ল্ড রুশু চেম্পিয়নশিপ মালেসিয়া (১৯৯৩) ফোর্থ এসিয়ন রুশু চেম্পিয়নশিপ, ফিলিপিন্স মনিলা (১৯৯৬), ফিফ ৱর্ল্ড রুশু চেম্পিয়নশিপ (হোঙ-কোং-চীনা ১৯৯৯), সেকেন্দ ওপন ৱর্ল্ড করাটে কেনফিদরেশন (সাউথ ইষ্ট ওসিনিক করাটে চেম্পিয়নশিপ ন্যু দেল্লি ২০০৫ অমদি ইন্টরনেসনেল য়ুশিনকান শিটো য়ু করাটে চেম্পিয়নশিপ ২০১০ (চেন্নাই, ইন্দিয়া) দসু শরুক য়ারকখি। লোয়ননা কুমজা ২০১৩ দা এন আইএস পটিয়ালাদগী এ গ্রেদ এন আই এস (সার্টিফিকেট কোর্স) পাস তৌরকখি। মোইরাংথেম ইবোমচা ইন্টরনেসনেল রুশু ফেদরেশন (বৈজিং য়ুনিভর্সিটি চীনা) গীসু বী গ্রেদ জর্জনি। ইন্টরনেসনেল জীট কুনে দো ফেদরেশনগীসু দিপ্লোমা হোল্ডরনি। করাটে এসোসিয়েশন ওফ ইন্দিয়াগীসু ব্লেক বেল্ট ফোর্থ দাননি। লোয়ননা ওল মণিপুর য়ুশিন কান শিটো য়ু করাটে এসোসিয়েশনগী বী গ্রেদ জর্জনি।

মশামক শান্নরোয় ওইনা কুমজা ২০০০ গী অদুৱাইদগী য়াইরিপোক বিষ্ণুনহাগী পুখ্রি অচৌবা মনাক্তা মার্সেল আর্টকী মশান্নশিং লমদম অদোমগী নহা কয়াদা তাকপী তন্বীদুনা লাক্লবা মোইরাংথেম ইবোমচানা কোচ অমা ওইনা ৱাফম খরসিসু অসুম্না ফোঙদোকপীরকখি, হৌখিবা চহী খরগী মমাঙদগী য়াইরিপোক্তা ঐহাক ইশাগী ওইনা সেন্তর অমা লৈ। হায়রিবা মফমদুদা হৌখিবা চহী ১০ গী মমাঙদগী অঙাং কয়া মার্সেল আর্টসকী মশান্নশিং তন্বীদুনা লাক্লি। য়ূম্নাম সনাথোই (অর্জুন এৱার্দি) অসিসু রুশু হায়বা মশান্নসিগী টেক্নিকেলগী ওইবা অকুপ্পা কাঙলোন কয়া তন্বীখিবা, ঐনা শেমজখিবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা অচংবা প্লেয়রনি। অদুগা লোয়ননা মৈতৈ মচাগা য়াম্না চাশিন্নবা গেমশিংগী মনুংদা রুশু অসিসু অমনি। য়ুম্নাম সনাথোই হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়াগী ওইনসু তোপতা লৈরিবা রুশুগী শান্নরোয়নি। খুঙ্গংদগী হৌখিবা শান্নরোয় ওইবনা, মপাঙ্গলসু ফজনা কল্লি। সনাথোই মশামকসু ইমুং মনুং শো মিল তৌবনা মরম ওইরগা অঙাং ওইরিঙৈদগী উ থাংবা, হোন্দোক হোঞ্জিন কয়া তৌরকখি। মচিন মনাওসু নুপীঙাক্তনা নম্বা ইমুং অমদা চাউরকখিবনা সনাথোই মার্সেল আর্টসকী শান্নরোয় অমদা লৈগদবা মগুনশিং ফজনা লৈ। ষ্ট্রেং অমদি ষ্টিমিনা চপ চানা লৈবনিনা টেক্নিকেলগী ওইবা কাংলোন কয়া তাকপীবা মতমদসু য়াম্না থুনা চাশিন্নবা ঙম্মী। মহাক্তা নত্তনা রুশু হায়বা মশান্না অসিদা অৱাংবা থাক য়ৌনা কারকপা ঙমগদবা শান্নরোয় কয়াসু লৈরি। মরু ওইনা নুপীমচাশিংদি থৱায় য়াম্না য়াওই। সনাথোইগী মথংদা অরুনপমাসু রুশু মশান্নদা ফজবা পার্ফোমেন্স পীবা ঙম্লক্লিবী শান্নরোয় অমনি।

য়াইরিপোক বিষ্ণুনহাদা ঐনা হাংদোকচরিবা সেন্তর অসিদসু পূন্না অঙাং ৭০ রোম চাং নাইনা অয়ুক্তা পুং অনীরোম ট্রেনিং পীরি। মসিদা নুপীমচা ২০ রোমসু য়াওরি। ট্রেনিং সেন্তর অসি হাংদোকচবগী মরু ওইবা মরমদি নিশাগী ইপাক্তা লুপখিগদৌরবা ঙসিগী নহারোলশিং কন্দুনা স্পোর্টসতা ওনশিনহন্দুনা মশা মউ ফবা খুন্নাই অমা শেম্বনি। ট্রেনিং সেন্তর অসিগী এদমিশনগী ওইনা লুপা লিশীং অমা লৌরগা মখা তারকপদদি মখোয় মখোয়গী স্পোর্টস এচিভমেন্টতগী লাকপা শেল থুমদগী খূৎশু খূৎলায় লৈবদা মতেং পাংহনবা অদুমাইনা তৌই। -মথং-মথং

# পাকিষ্টানগী এথলেটশিং সিক্যুরিটিগী ফীভম য়েংলগা সাউথ এসিয়ান গেমসকীদমক চার্টর ফ্লাইটতা চৎপা পাম্লি

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারি ১৪ ঃ

চহী অসিগী ফেব্রুৱারি থাদা ইন্দিয়ানা যূম্ব ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২ শুবা সাউথ এসিয়ন গেমসদা শরুক য়াগদবা পাকিষ্টানগী প্লেয়রশিং সিক্যুরিটি রিজনননা মরম ওইদুনা মখোয়গী এথলেটশিং গেমস অসিগী ভেন্যু ওইরিবা গুৱাহাটি অমদি শিল্লোংদা দাইরেক্ট ওইনা চার্টর ফ্লাইটতা চৎপা পাম্লি হায়না এজেন্সিনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

ইন্দিয়ন এক্সপ্রেসতা ফোঙখিবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না পাকিষ্টান গভর্ণমেন্ট অমদি মসিগী ওলেম্পিক এসোসিএসনগী ওফিসলশিংনা মমাঙ চয়োলদা ইস্লামাবাদ অমসুং লাহোরদা চৎখিবা ইন্দিয়ন দেলিগেসন্দা মখোয়গী প্লেয়রশিং খুদোংথিবা থোকহন্দনবগী অপাম্বা অদু ফোঙদোকখি।

পাকিষ্টানি ওফিসলশিংনা পাউচে অদুদা হায়খি মদুদি মখোয়না গেমস অসিগীদমক শরুক য়ানবা চৎপদা দেল্লি নৎত্রগা অমরিটসরদা পনবগী মহুৎ যূম্ব ওইরিবা সিটিদা দাইরেক্ট ওইনা চার্টর ফ্লাইটতা এথলেটশিং পুদুনা চৎপা পাম্মী।

গেমস অসিগীদমক অহানবদা পাকিষ্টানগী এথলেট অমদি ওফিসল অপূনবা মেম্বর ৪৪৪ গী কন্টিঞ্জেন্ট অমা ইন্দিয়া ভিয়া ৱাগাহ বোর্দরদা থুংবা অমদি মদুদগী প্লেন তোংলগা লমথুংফম য়ৌবা হায়না থৌরাং তৌরম্বনি। গেমস অসিগী ওর্গনাইজরশিং অমদি ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টনা সিক্যুরিটিগী মতাংদা য়াম্না লুম্না লৌরি অমদি গেমস অসি মায় পাক্না লোইশিনবদা য়াল্লবা শেনফমশিং চঙগনি হায়না লৌরি।

পনবা য়াই, ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক্কী সিটি অনী গুৱাহাটি অমদি শিল্লোংদা পাঙথোক্কদৌরিবা সাউথ এসিয়ন গেমসদা পাকিষ্টানগী হোকি টিম শরুক য়াগনি হায়না পাকিষ্টান হোকি ফেদরেশন (পি ঐচ এফ) গী নৌনা সেক্রেটরি ওইনা খনখ্রবা শাভাজ অহমেদনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

# সানিয়া মিরজা, মার্টিনা হিঙ্গিসনা সিদনি ইন্টরনেসনেলগী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে

সিদনি, জন্যুৱারি ১৪ ঃ

টোপ রেঙ্ক সানিয়া মিরজা অমসুং মার্টিনা হিঙ্গিসনা সিদনি ইন্টরনেসনেলগী ঙসি শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা রোমানিয়ন রালুকা ওলারু অমদি কাজাখষ্টানগী য়ারোস্লাভা শেভেদোভাবু মায়থীবা পীদুনা মখোয় অনীগী ২৯ শুবা মেচ মায় পাকখিবগা লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল চঙখ্রে।

ইন্দিয়ান টেনিস এস সানিয়া অমদি মহাক্কী স্বিস পার্টনর মার্টিনা অনীনা ঙসিগী মেচ মায় পাকখিবা অসিনা মখোয়গী রো ওইনা মেচ ২৯ মায় পাকপা ওইদুনা রেকোর্দসু থম্বা ঙমখি।

ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ইন্দো-স্বিসকী জুরা অসিনা রালুকা ওলারু অমদি য়ারোস্লাভা শেভেদোভাবু নোংনা মরম ওইদুনা মরক থৎনা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচ অদুদা ৪-৬, ৬-৩, ১০-৮ দা মায়থীবা পীরমদুনা ফাইনেলগীদমক খুমাঙ চাউশিনখি।



মখোয় অনীগী মায় পাকখিবা অসিনা পুরটো রিকানগী গিগি ফর্নান্দেজ অমদি বেলারুসকী নটাশ জভেরেভা অনীনা কুমজা ১৯৯৪ দা রো ওইনা মেচ ২৮ মায় পাক্তুনা থমখিবা রেকোর্দ অদু লাম্থোকখি। হৌজিক জুরা অসিনা খ্বাইদগী চাউবা রেকোর্দ তান্নবগীদমক খোঙ থাংজিনবা হৌখ্রে। মবাইনিনা কুমজা ১৯৯০ দা দাইনামিক দো জনা নোভোটনা অমদি হেলেনা সুকোভা অনীনা রো ওইনা মেচ ৪৪ মায় পাকখিবা অদু তান্নগদৌরি। মখোয় অনীনা মমাঙ চয়োলদা ব্রিসবেন ইন্টরনেসনেলগী টাইটল লৌখ্রবা মতুং চহী অসিগী অনীশুবা টাইটল লৌনবা মিৎয়েংসু থল্লিবনি।

কুমজা ২০১৫ দা মিরজা অমদি হিঙ্গিসনা দব্লিয়ু টি এগী দবলস টাইটল ১০ লৌবা ঙমখি। মখোয়শিং অদুদি ইন্দিয়ন ৱেল্লস, মিয়ামি, চার্লেষ্টোন, ৱিমব্লেদন, য়ু এস ওপন, গৌজাহৌ, ৱুহান, বৈজিং অমদি কুমজা ২০১৫ গী দব্লিজয়ু টি এ টাইটলনি অদুগা মমাঙ চয়োলদা ব্রিসবেন ইন্টরনেসনেলগী টাইঙ্গটল লৌদুনা কুমজা ২০১৬ কী অহানবা টাইটল লৌবা ওইখি।

ꯑꯦꯁ. ꯆꯥꯎꯕ ꯃꯦꯃꯣꯔꯤꯌꯦꯜ ꯕꯣꯔꯗꯤꯡ ꯏꯡꯂꯤꯁ ꯁ꯭ꯀꯨꯜ

SCM S. CHAOBA MEMORIAL BOARDING ENGLISH SCHOOL



S. IBOHANBI SINGH
Founder Principal
MA Gold Medalist & BT
Retired Lecturer Ram Lal Paul Hr. Sc. School

Government Recognised
Singjamei Kongba Road, Imphal East
(Near Singjamei Bridge)
ADMISSION OPEN
FROM NURSERY TO CLASS - X

Facilities:

1. Free medical care for all students by two specialist doctors from the founder's family.
2. Free monthly school tuition fee for one out of three students of the same parent.
3. Half school tuition fee for one out of two students of the same parent.
4. Free mess and tuition fee except admission fee of Class (IX),(X) talented students scoring 85% marks.
5. Free tuition fee for first & second position holders of every class scoring more than 85% marks.
6. One boarding master for every 25 (twentyfive) students with strick discipline.
7. Available Aqua guard and boiled drinking water for all students.
8. Facility for Yoga. Thang-Ta, NCC classes at the school campus.




Session starts on 18th Jan, 2016
# 918974052662

| Border Students: | Annual Fee Structure | Monthly |
|---|---|---|
| Class | Admission | Mess |
| Pre-Nursery to Class II | Rs. 6,100 (Admission+Tuition | Rs. 2,300 |
| Class III to VII | Rs.7,900 (Admission + Tuition + Computer) | Rs. 2,500 |
| Class VIII | Rs.8,500 (Admission + Tuition + Computer) | Rs. 2,800 |
| Class IX to X | Rs.9,100 (Admission +Tuition) | Rs. 2,800 |

* No deposit systems
* No lodging charges
* No caution money

Academic Special Bonus
Free Private Tution-All Subjects for all classes

WANTED TEACHER
Bio-1, Eng-1, Rhym-1, Spoken Eng.-1
LDC with Computer -1, Security with Driver - 2
Pay - Negotiable
Date of Interview - 11/1/2015

HL-B/2806/24/11 Nov to 13,15/1 Jan. (Alt)

